থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং, ৱাখল, মঙ- অতাঙবা লন'নি ঈশাগী



পূক্লিং হায়বসিগা 'ৱাখলগা' করিদা খেন্নবগে? 'পূক' অমদি 'নীংবা', অনীসিনা পুনশিল্লগা 'পূক্লিং' হায়বা ৱাহৈ অসি শেম্বগুম, 'ৱা' (ৱাফম) অমদি 'খনবা' অনীসিনা 'ৱাখল' হায়বা ৱাহৈ সি শেম্বনি। 'নপুক্তা ৱা থমগনু' হায়বা মীতৈ ৱাহায়সিনা ৱাখলবু অমুক চমন্নহল্লি। পুক্তবু ৱা থম্বা য়াবরা? ঐখোয়' লোনসি লুবনি, লায়না লৌবা য়াদবনি। ৱা'দি মতাঙসিদা তেনশিল্লসি। লোন নৈনগে খনবা নত্তে। মাইন্দ (পুক্লিং) অমদি মোত (ৱারোল) - হকচাংসিগী মনুংদা ইন্দ্রিয় (ওর্গান) ওইনদি য়াওদবা, হকচাংসিবু হিংহন্দুনা থম্নবগীদমক্তি খ্বাইদই মরূ ওইরিবা পোৎশক অনীসিগী মরমদা করিগুম্বা খরা ইনিংলুবনি।

'নীংবা' হায়বা ৱাহৈসিগা 'খনবা' হায়বা অসিগা মান্নদে। খেন্নে। পাখঙ ওইরিবঁৈ ঐনা ঙাও'খৈ পামাজখিবা মীনা কুমারি অমদি হেমা মালিনি অনীমক্লাঙাওখি 'ধর্মেন্দ্রদা ঐ ধর্মেন্দ্র ওইনীংখি। মদু পুক্লিংসিনা ইচম চম্না নীংবনি, ফঙলোইদবা পোৎ পাম্বনি। ৱাখল খনবা হায়বসিনা, পূক্লিংসিনা নীংবদুগী মখা তাবা থবক্তুনি। নীংখিবদু থুংনবা, অপাম্বদু ফঙনবা, তৌফম থোকপা থবকশিং করম্না তৌগদগে হায়বগী লম্বী থিবই থবক্তুনি। থবক্তুনা অশেংবা-অচুম্বা ওইদ্রিবঁৈগী মরক্তুনি ৱাখল। মরম অসিনা, ৱাখল হায়বসিসু মঙ মখল অমনি-হায়নবা লৈ। তুমদনা মঙবা মঙ'দুগী মিংনি 'ৱাখল'। তুম্লিবঁৈ, পুক্লিংসিগী থাক অমদা উবা থৌদোক-ৱাথোক অদুগী মীংনি 'মঙ'। ৱাখলগী হৌরকফমসু মীওইবগী ব্রেন, মঙগী হৌরকফমসু মীওইবগী ব্রেন। অনীমক, তশেং তশেং থোকপা অচুম্বা থৌদোক অম্তা নত্তবা! অদুদি, মমীং তোঙান তোঙানবই ৱানি, অনীসি অমত্তা নত্ৱরা? মান্নি, মঙ হায়বসি ৱাখলদগী থোকপনি, ৱাখল হায়বসি মঙলান্নি। ইলেক্ত্রিকেল্লি চার্জ তৌরবা ব্রেনগী 'ন্যুরোন সেল'শিং অদুনা শেমগৎলকপা ইমেজশিং অদুনি মঙ।

ৱাফম অমত্তং হঙ্গৎচগে য়াবীনিংবরা য়েংবীয়ু। ঐখোয়না ঙসি হিংলিবসি তাইবং অহুমখক্তনি। অহানবা তাইবং - মীৎ পাঙলগা খোঙ-খুৎ অনীসিনা লেঙ-ওৎলগা করিগুম্বা খরা তৌদুনা লেল্লিবা তাইবং। অৱাবা-নুংঙাইবা-কল্লকপা-নুংওনবা-নুংশিবা ... পুন্নমক তাইবংসিদা থোকই। অনীশুবা তাইবং - মীৎ পাঙনা পাঙনা, নৎত্রগা উইশিল্লগা মফম কৈদসু চত্তনা, তুমিন ফমদুনা লৈরগা, মালেম শীন্না- মীৎয়েং পোইরৈ ৱাংমা-লান্না কোয়রুবা, তৌঙমদবা কয়া তৌরুবা। অহুমশুবা তাইবং - ইমিৎ চেজেৎ উইশিল্লগা, লেঙবা ওৎপা তৌদনা, অশিবগুম তূম্লিবঁৈ মঙগী লৈবাক্তা লেনবা তাইবং অমা। পুন্সি অমা হায়বসি তাইবং অহুমসি য়াওদনা, মপুম ফাদবা, মচেৎ ওইবা তাইবংনি।

ঙসি ঐগী থম্মোয় পাউদম ওইনা ৱাখলগা মঙগা শমজিন্ননা তম্লুরিবা, অনৌবা অমা পুথোক্লিংবা, তৌনদবা অমা তৌনিংবা মীওইশিংগী পুক্লিংদুগী মরমদা খল্লুবদগীনি। সিলায় হন্দোক্লবা ফুরিৎ অমা তাইশিন্নবা য়ূম্লোন্নবদা লৈবা তাদা-তেইলর অমগীদা চৎলুবদা ফুরিৎ-তুনবা (সিৰিং) মেছিন পুথোকখিবা 'এলিয়াস হোৱি'গী ৱারী নীংশিংলকখি। মহাক্লা অনৌবা সিৰিং মেছিন পুথোকখিবদু মহাক্লা মঙখিবা মঙ অমগা মরী লৈনৈ। লায়রবা ইমুংদা পোকপনা (জুলাই ৯, ১৮১৯), ফুরিৎ অমদি ফি-রোল শেৎন ইন্নবা শাবা ফেক্তরি অমদা থবক শুদুনা হিংনবই পাম্বে ওইরম্মী। য়েৎতুমতগী মতেঙনা শেৎন-ইন্নবা ফিরোল শারিবদু উবদা 'এলিয়স হোৱি' নোংমত্তা পোত্থাফম খঙখিদে। খূৎলৈ থুনা, হেন্না চেকশিন্না ফি-তুবা য়ানবা করি পাম্বে পুথোকসিগে? অহিং কয়া মাগী চাংয়েংকা (লেবোরেতরি) দুদা তূম্বা চাবা খঙদনা চাংয়েং তৌখি। ৱারদুনা নোংমদি চাংয়েং তৌনা তৌনা কাদুদা তুমথখরে। ওন্থোকপা মঙ অমা মঙলম্মী। মরৈবাক্কী নিংথৌনা লাম্মী খূৎপু থারক্তুনা মহাকপু ফাদোক ওইনা ফাররে। মাগী মরাল? ফুরিৎ তুনবা মেছিন শাবা ঙমদবা! নিংথৌনা য়াথং তৌরকই - পূং কুনমরিগী মনুংদা মেছিন শাবা ঙমদ্রবা, লৈপাক মীয়াম মমাঙদা 'তা' না থিন্দুনা হাৎকনি। মীগী মপোৎ হুরানবা, মীহাৎপসু নত্তবা, ওক্ত লীচৎ চৎলুবসু নত্তবা, মহাক্লা তৌগে নীংজবা থবক অমা ঙমদবগীবু শিবই চৈরাক! ৱাখল অসি খল্লুবঁৈ, মাগী থবক অদুদা খোয়জঙলুবা ঙমদরে। পুং কুনমরি হৌখরে, য়াথং ঙাকপা ঙমদরে। মীয়াম মাঙদা হাৎনবা মীহাৎপুংদা পুরক্লে। তাদোন তুম্ল তুম্লবা লাম্মীশিংনা পায়রিবা 'হোৱি' গী মীৎয়েংফম ওইরুরে। তাগী মতোন ওইরপ্লা হুৎলিবা মখূল অদু করিগী? ৱাখল অমা খল্লক্লে, মথুম-মরাং হৌদুনা নিংথৌদুদা হায়জরে, 'অতোপ্লা পুং কুনমরি অমত্তংগা পীনবীয়ু মঙোন্দা, মেছিন শাবা ঙম্লনি ...।'

নিংথৌগী য়াথং ফঙবগা মীকপ অদুম থোক্লক্লে। নোংঙাল্লমদাই পুং মরী তারম্লে, চাংয়েং কাদা চুমদ্রিং চঙশিনখ্রে। য়েৎতুম মখোক্তা মখুন পানবা অদু নত্তবা, অতূম্বা মতোন অদোমদা মমীৎ পানবা য়েৎতুম অমা পুথোক্লে। অয়ুক্কী পুং মাপন'দদি অনৌবা ফুরিৎ তুনবা মেছিন শাননবা 'আইদিয়া' থবক ওইনা উৎথোক্লে। তুম্লিবঁৈগী মঙদুদা তাদোন্দা হুৎপা মখুন অদু উরমদ্রবা, 'হোৱী' গী তাইবংগী অচুম্বা মঙ থবক ওইবা ঙম্লমদবসু য়াবনি। তোল্লবা ঐগী মঙদসু নোংমা সেকেন্দ ওক্তোবরদা পাঞ্জিনা মাগী মোঙফমদই হৌগৎলগা প্রাইম মিনিষ্টর অমা, মাগী চৈসুদুনা কন্দুনা হাৎখি, মঙ অদু নীংশিংলগা ইখি ঐগী 'ইররোইদবা ইতিহাস।'

'এলিয়াস হোৱি' গী সিৰিং মেছিন, মাগী মরূপ 'আইজাক সিঙ্গর' না ইন্দষ্ট্রিগী পোত্থোক অমা ওন্থোক্তুনা মালেম শীন্না চাইথোকখি। পৎ তৎপা লায়রবা অমা ওইনা হৌরকখিবা 'এলিয়াস হোৱি' - ওক্তোবর ৩, ১৮৬৭, মশাগী চহী ৪৮ দা বিল্লিয়নিয়র অমা ওইনা পুন্সি লোমখি। মহাক্তা নতেত, সিঙ্গরসু। মঙ মঙবা কতন নত্তে। মঙবু মঙনি খন্না লায়থোকপা, মহাক্তুনি কতনদি। পাউদমসিগী পাউজেলনি -মঙ মঙহল্লিবা পুক্লিংদু থাদোক্নু কৈদৌনুং, ওইবীয়ু ইশাগী লেঙদবা লন। তাঙবদই তাঙলবা ইরলদুনি।

## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং | নুপীনা মনম খঙবা হেল্লিবসি ব্রেন সেল হেনবদগী ওইবা য়াই

ব্রেনগী মনম খঙনবগী মফম ওইনা খঙনবা ওলফেক্টরি বল্বতা নুপীনা নুপাদগী সেল (মশিং) হেন্না য়াওই হায়বসি অনৌবা রিছার্সনা উৎলি। সাইন্টিফিক জর্নেল প্লোস ৱানদা ফোঙবা ষ্টদি অদুগী ওথরশিংনা ওলফেক্টরি বল্বতা নুপীশিংনা নুপাদগী সেল (মশিং) হেন্না য়াওবসিনা নুপীনা নুপাদগী হেন্না মনম খঙনবগী মরম ওইবা য়াই হায়বগী সজেসন পীরি। ষ্টদি অদু ব্রাজিলগী ফেদরেল য়ুনিভর্সিটি ওফ রিও দ জনৈরোগী টিম অমনা লুচিংখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা অতোপ্পা রিছার্সর গ্রুপ অমনা 'আইসোত্রোপিক ফ্রেক্সনেটর' কৌবা ওলফেক্টরিগুম্বা ব্রেনগী অপীবা মফম অমগী সেলশিংগী মশিং য়াম্না থুনা অমসুং থাজনিঙাই ওইবা মওংদা ওন্নবগী/পানবগী মেথদ অমা হান্না পুথোকখ্রবনি।



ওলফেক্টরি বল্ব অসি নাতোন মখুল ফাওরগা নুংঙাইতবা মনম খঙনবগী সিগ্নেলশিং রিসিভ তৌবা ব্রেনগী অহানবা মফমনি। নুংশিবা অমসুং নমথিবা মনমশিংগী খেন্নবশিং খঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি মীশিংগী মরক্তা খেন্নে। নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা লৈবসিসু ষ্টদিশিংনা উৎলি, নুংঙাইতবা মনম মখল কয়া খঙনবগী চাংয়েংশিংদা নুপীশিংনা নুপাশিংদগী য়াম্না হেনখি।

নুপীনা নুপাদগী মনম খঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল য়াম্না হেন্না ৱাংবগী বাইওলোজিকেল এক্সপ্লেনেসনশিং থীবদা মমাঙগী ষ্টদিশিংদা ব্রেন স্কেনশিং শীজিন্নদুনা ষ্ট্রক্টচর অমসুং ভোল্যুমগী খেন্নবশিং য়েংখি। অসিগুম্বা ষ্টদিশিংদা ইয়ান য়ানশিন্নবা রিজল্টশিং ফংখি অমসুং ৱাহং কয়াগী পাউখুম ফংবা ঙমখিদে। মরম অদুনা রিওগী ফেদরেল য়ুনিভর্সিটিগী ইনষ্টিট্যুট ওফ বাইওমেদিকেল সাইন্সেসকী প্রোফেসর অমা ওইরিবা রোবার্ট লেন্ট অমসুং মহাক্কী কোলিগশিংনা নুপীশিংগী অমসুং নুপাশিংগী ওলফেক্টরি বল্বশিংদা য়াওরিবা সেলশিংগী মশীং থীদুনা হেন্না হকথেংনবা মওংদা বাইওলোজিকেল ইভিদেন্স লেপথোক্ল বা (ওন্নবা) হোৎনখি।

মখোয়না নুপা তরেৎ অমসুং নুপী ১১ গী পোষ্ট মোর্টেমগী ব্রেনশিং য়েংশিনখি। মীওইশিং অসি শিবা মতমদা মশা মউ ফরিবা অমসুং চহী ৫৫ হেল্লবা ঙাক্তনি। মখোয় অমত্তা থোংবা থাকপা নৎত্রগা কোফি টেষ্টিংগুম্বা মনম কা হেন্না খঙবগী তঙাইফদবা লৈবা শিনফমশিংদা থবক তৌখিবা ওইদে।

আইসোত্রোপিক ফ্রেক্সনেটর শীজিন্নদুনা টিম অদুনা মীওইশিংদুগী ওলফেক্টরি বল্বশিংগী সেলশিংগী মশীং থীখি অমসুং চাংচৎতা নুপীশিংনা ব্রেনগী মফম অসিদা নুপাশিংদগী সেল মশীং চাদা ৪৩ হেন্না য়াওরম্বা থেংনখি। মসি ন্যুরোনশিংদগী মশিংনি, গ্লাইএল নৎত্রগা কচরেল সেলশিং য়াওরবদি নুপীশিংনা চাদা ৫০ রোম হেনখি।

## হরাউবনা হার্টকী প্রোব্লেমশিং লাকহনবা য়াই





অৰাবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা থৌদোক অমনা হার্টকী মসলশিং শোন্থহনবা ঙমই হায়বসি ঐখোয়না মতম শাংনা খঙদুনা লাক্লে হায়বা য়াই। মসিনা শ্বর চনিং চমাং শন্নহন্দবা, থবাক্তা নাবা অমসুং মমৈথংদা হার্ট এটেক লাকহনবা য়াই। হৌজিক্তি য়ুরোপিয়ন হার্ট জর্নেলনা ফোঙবা ষ্টদি অমনা নুংঙাইবা নৎত্রগা হরাউবনা মান্নবা সিম্পটমশিং লাকহনবা ঙমই হায়না ক্লেম তৌরি। য়ুনিভর্সিটি ওফ য়ুরিচকী স্বিশ রিছার্চরশিংনা অসিগুম্বা থম্মোয় কায়বগী লায়না লাকপা য়াবা লৈবাক ৯ গী পেসিয়েন্ট ৫০০ গী দেটাদা কূপ্না য়েংখি। কেস অয়াম্বদা ইমুংগী মীওই অমা নৎত্রগা নক্লবা মরী মতা অমা শিবা, এক্সিদেন্ট অমনা, (নুপা-নুপী) খাইনবগী থৌদোক্লা নৎত্রগা অতৈ মীগা মীগা লৈনবা মরীশিংগী প্রোব্লেমশিংনা হার্ট শোন্থহনবা থেংনখি।

অদুম ওইনমক পেসিয়েন্ট ২০ দদি মান্নবা সিম্পটমশিং নুংঙাইবা থৌদোকশিংনসু থোকহল্লম্বা থেংনখি। অদুগুম্বা নুংঙাইবা থৌদোকশিং অদু বার্থদে অমসুং লুহোংবগী পার্টিশিং, মশু অমা ফংবা নৎত্রগা মখোয়না পামজবা টিমনা কম্পিটিসন অমা মায় পাকপনচিংবা ওইবা য়াই। এক্সপার্টশিংনা মসিবু হেপ্পি হার্ট সিন্দ্রোম কৌই। পেসিয়েন্টশিং লায়েংবদা দোক্তরশিংনা নাকল অনীমক্তা মিৎয়েং থমগদবনি। মখোয়গী ফীভমশিং মুন্না খঙবীগদবনি হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অদুগী মতুং ইন্না, থম্মোয় কায়বগী নৎত্রগা শোকপগী সিন্দ্রোমগী মরমশিং হান্না খন্নরম্বা নৎত্রগা থাজনরম্বদগী হেন্না পাকথোক চাওথোক্ল লৈ। কেসশিং অদুগী চাদা ৯০ হেনবদা চহী ৬০ হেল্লবী নুপীশিংনা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওই হায়বদি নুংঙাইবদগী হার্ট শোক্লীংঙাই ওই হায়বসিসু ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

করিনা অসিগুম্বা সিন্দ্রোম থোকহল্লিবনো হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থম্মোয় কায়বগী সিন্দ্রোম অসি কুমজা ১৯৯০ দা জপান্দা অহানবা ওইনা থেংনখি। অহানবদা মদু নেগেটিভ ওইবা পূক্লিংগী ঈথিলশিংনা (ইমোসন্স) হোর্মোনশিং হেনগৎহনবগা মরী লৈনরমখি। ইমোস্নেল রিয়েক্সনশিংনা নর্ভস সিষ্টেমবু তাংদাংবা থৌওং অমা চথহল্লি হায়না দোক্তরশিংনা থাজে।

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### সার চার্লস নিকোলাস ব্রান্সন



সার রিচার্দ চার্লস নিকোলাস ব্রান্সন অসি ইংলিস বিজনেস মেগনেট, ইনভেষ্টর অমসুং ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমনি। মহাক্লা কম্পেনি ৪০০ হেন্না কন্ত্রোল তৌরিবা ভির্জিন গ্রুপ লিংখৎখি। য়াম্না নহা ওইরিবঁে মতমদা ব্রান্সননা অনত্রুপ্রিন্যুর অমা ওইনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৭০ দা মহাক্লা মেইল-ওর্দর রেকোর্দ বিজনেস অমা লিংখৎখি। মশাগী চহী ১৬ শুবদা পায়খৎখিবা মহাক্কী অহানবা বিজনেস ভেঞ্চর অদু 'ষ্টুদেন্ট' কৌবা চেফোং অমা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৭২ দা মহাক্লা ভির্জিন রেকোর্দস কৌবা রেকোর্দ ষ্টোটরশিংগী চেইন অমা হাংদোকখি। তুংদা মদু ভির্জিন মেগাষ্টোর্স হায়না খঙনখি।

কুমজা ২০০০ গী মার্চতা অনত্রুপ্রিন্যুর্সিপকী লমদা মহাক্লা পীখিবা সার্ভি সশিংগীদত্তা ব্রান্সনবু বকিংহাম পেলিসতা 'নাইটহুদ' পীখি। রিটেল, ম্যুজিক অমসুং ত্রান্সপোর্ট (লেন্দ, এয়র, সি অমসুং স্পেস ত্রাভেলগী ইন্টরেষ্টশিংগা লোয়ননা) মহাক্লা তৌখিবশিং, মহাক্লা উৎলিবা এদভেঞ্চরগী থোইদোকপা মহাও অমসুং মীওইবগী মীনুংশি উবা ফংবা মহাক্কী থবকশিংগীদমক্তা মহাক বৃটিশ কলচরগী খ্বাইদগী মশক নাইবা মীশকশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। কুমজা ২০০২ দা মহাক বি বি সীনা খ্বাইদগী চাউবা বৃটন ১০০ খন্নবা পাঙথোকখিবা পোলদা য়াওরকখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারীদা 'ফোবজ' না ব্রান্সনবু দোলর মিলিয়ন ৫.২ পাই হায়না লৌবা য়াবা মীশক ওইনা উৎখি।



মহাক কুমজা ১৯৫০ গী জুলাই ১৮ দা লন্দনগী ব্লেকহীথতা পোকখি। মহাক হান্না বালে দান্সর অমসুং এয়র হোষ্টেস অমা ওইরম্বী ইভ ব্রান্সন অমসুং বরিষ্টর অমা ওইখিবা এদৱার্দ জেমস ব্রান্সনগী মচা অহুমগী মনুংদা ইহান হান্না পোকপা ওইখি। মহাক্কী মপুথৌ সার জোজ অঠর হুর্বিন ব্রান্সন হায় কোর্ট ওফ জষ্টিসকী জজ অমা অমসুং প্রিভি কাউন্সিলর অমা ওইখি। ব্রান্সন একাদেমিক পার্ফোমেন্স ফৎখিদবগা লোয়ননা স্কুল তম্বগী অরোইবা নুমিৎতা মহাক্কী হেদমাষ্টরনা মঙোন্দা মহাক মমৈথংদা জেলদা লৈবা য়াই নৎত্রগা মিলিয়নর অমা ওইরকপা য়াই হায়খি। ঙল্লিবঁে মতমদগী হৌনা ব্রান্সননা তৌবশিংদা মহাক্কী অহল-লমনশিংনা শৌগৎখি।

ব্রান্সননা মহাক্কী রেকোর্দকী বিজনেস অদু মহাক্কী 'ষ্টুদেন্ট' মেগাজিনগী ওফিস ওইরিবা চর্চ অমদগী হৌখি। মহাক্কী পোপ্যুলর রেকোর্দ কয়া মহাক্কী চেফোং অসিদা এদভর্টাইজ তৌখি অমসুং য়াম্না থুনা মায় পাকখি। 'ভির্জিন' হায়বা মিং অসিগী মখাদা মহাক্লা রেকোর্দশিং 'হায় ষ্ট্রিট' কী আউটলেটশিংদগী য়াম্না হেন্না তানা য়োনখি। 'ভির্জিন' হায়বা মিং অসি ব্রান্সনগী অহানবগী ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তগী অমনা হৌদোকখিবনি, মরমদি মখোয় বিজনেসতা লোইনমক নৌরম্মী। মহাক্লা কুমজা ১৯৮৪ দা ভির্জিন এটলান্টিক এয়রৱেজ শেমখি। কুমজা ১৯৯১ দা ভির্জিন মোবাইল হৌদোকখি অমসুং কুমজা ২০০০ দা ওষ্ট্রেলিয়াদা 'ভির্জিন ব্লু' হৌদোকখি।

## থাজবরা, থাজদবরা ? | অঙকপনা থল্লবা মালেম



- বুলফ্রোগ হায়রিবা হঙোই মখল অসি তূমদে।
- মীওইবগী নাতোন্না তোঙান তোঙানবা মনম ৫০,০০০ নীংশিংবা ঙমই।
- স্লাইস ব্রেদ পুথোল্লবা মতুং চহী অনীখক লৈরগা টেলিভিজন পুথোকখি।
- মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মীতম ১০ গী মনুংদা নিপানদি গৌতম বুদ্ধগী ঙাক্তনি।
- কৈগী উনশা লাংই, মতুখক্তনা লাংবা নত্তে। উনশাদা লাংলিবা মচেৎশিংদু ফিঙ্গরপ্রিন্টশিংগা মান্নে অমসুং লাংলিবশিংদু কৈ অনী শুনা মান্নদে।
- কুমজা ২০০৫ দা ৱোন্টন ফুদ ইঙ্ক কৌবা ফোর্চুন কুকি কম্পেনি অমনা ফাওগদবা লোট্রারি নম্বরশিং মাঙজৌননা চুম্না হায়দোকখি অমসুং মীওই ১০০ লোট্রারি ফাওখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথদবা য়াদবগী ফীভম লাকখি। তৌইগুম্বসুং থিজিনবা মতমদা নমথাক অমদি ওইদবা তৌবগী মওং অমত্তা য়াওরম্বা থেংনখিদে।
- কনাগুম্বা মীওই অমা এমষ্টরদেমদা শিরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা নৎত্রগা কপ্পীনবা ইমুংগী মীওই, খ্বাইদগী নক্লবা মরী মতা অমসুং মরূপ মপাং অমৎতা য়াওদনা শিবা তারবদি পোইট অমনা মীওইদুগীদমক শৈরেং অমা ইগনি অমসুং মদু মীওইদুগী লৈরোন চনবদা থীগনি।
- নুপাগী ফুরিৎকী কোলরশিং লৌথোক লৌশিন য়ারম্মী। মসি শুবা-চাম্বগী অচংমল হন্থহন্নবগীদমক্তনি, মরমদি কোলর হায়বসিনা খ্বাইদগী তোয়না শুদোক চামথোকপদা চঙবা ফুরিৎকী শরুকনি।
- কুমজা ১৯৯১ দা চহী ৫০০০ শুরবা অশিবা হকচাং আইসমেন উজি (খ্বাইদগী চহী য়াম্বা খূৎ চঙদবা য়ুরোপিয়ন মম্মি) থেংনখিবা মীওই অদুসু কুমজা ২০০৪ দা উন মরক্তা মশা ফমজিল্লগা শিরগা লৈরমখি।
- কুমজা ২০১৪ দা আইসলেন্দদা ভেকেসন চৎপদা মাঙখিবা নুপী অমা মশাবু কোয়থি থীরিবা সার্চ পার্টিদা য়াওরম্বা থেংনখি।
- নহাক পুংদা মাইল ৬০ গী চাংদা চেল্লিবা ভেহিকল অমদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা হাকথী খনবা তারবদি নহাক্কী নমিৎশিংদু চাংচৎতা ফুট ৫০ উইশিনগনি।
- মাগপাই কৌবা মমৈ শাংবা চরাংনবা খোঞ্জেল চেনবা ক্বাক মখল অসি মালেমগী খ্বাইদগী ইন্টলিজেন্ট ওইবা এনিমেলশিংগী মনুংদা অমনি। মসি মিংশেলদা চাংয়েং তৌবদা মশাবু মশক খঙজবা অমত্তা ঙাইরবা নন-মেম্মল স্পিসিজনি।



## ঙ | ইহাত্তং পোত্থাবা য়াব্রা য়েংশি

খোমজিনবা, লেংজবা -
য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার

ঐনা কিরিসিদি নঙবুনে

মতম কুইরবগী ৱানি -

"য়াইঙং মনাউ" লৈকাইদুদা, খুল অদুদা তাদবা-খঙদবা মী ইয়াউ য়াওরল্লোই। মমা মপানদি 'সনা মতুম' কৌজবা জাৎনি অদুবু মীশিংনদি য়াইঙং মনাউ হায়রগা অদুম খঙনখরে। য়েনখাদা ঙারম্বা খুদেং, পোলাংখোক্তা ফৌরম্বা অফবা ফি লৈরমদ্রবদি 'য়াইঙং মনাউ' লাক্লম্ব্রা হায়না থিনৈ। সিদা নত্তনা নুমিদাং অমম্বদা পোৎ লাকপা, শেঙ্গাউ লাকপসি মহাক্লি হায়নৈ।

নুমিৎ অদু নোংথি-নোংমঙবা ওইবনা খরসু হেন্না মম্মী। লুকমাই পান্দুনা পোৎ য়োল্লুবী অহল অদু তহা-তহা লম্বীদুদা মুরুম-মুরুম শোনবোই লাকপোই 'ওন্থোক্লা থুনা মমখ্রেদা, ইথন্তা হেক ঙাইদা মী অমত্তং লাক্লবদি - নুংঙাইখ্রনিদা - ইস-!

তাঞ্জাদুদা ইতপ-তপ্না - ইমাবু কদায় য়ৌবীদোইনো?

এ: ইবুংঙো নুংঙাইরেদা, ইমা লম্পাক অসি য়ৌদোইনি।

ইবুংঙোদি কদায় য়ৌদোইনো?

ঐসু অশ্বাই ফাওবা য়ৌগনি।

ফরেদা ইমা-ইচা শুরে। অদুদি কিবসু খরা ফনবা ঈশৈ অমত্তা শকউদনা !!

হোই ইমা - বৈতরনি তোৰ্ব্বান্দা, যমগী দুত লাক্লবদা,

শল্লাং অমনা থোংবু ওই

শল্লাং অমনা পাম্বে ওই

ইমাইপেম্মা: তোক্লো ফরে তোক্লো তোক্লো-!!

ইবুংঙো নঙবু কনাই মচানো - নমিংদি করি কৌই?

ইমা ঐ, য়াইঙং মনাউনি।

হা:!! ঐনা কিরিসিদি নঙবুনি - অসি হায়রল্লগা অহল অদু অমম্বা মরক্তুদা চেনখ্রে।

- তোম্বীস্না দেবী, বামোন লৈকাই।